# এক্স পোলো ক্লবনা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব থোইরগা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে




**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪(ঐচ এন এস):** মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশন (এম ঐচ আর পি এ)না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চথরিবা ২ রক শুবা ডা. কে এস ঐচ চৌরজিৎ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈনা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব কোংপালবু মায়থীবা পীরক্লগা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈ অমসুং চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব কোংপালগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্নদা শান্নবা ঙমখি। টিম অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা অহানবা চকর লোইবা ফাওবদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা চকর শান্নখিবা অদুগী ওইনা এক্স পোলো ক্লবকী মায়কৈদগী পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা অকনবা মওংদা শান্নরকখিবগা লোয়ননা চকর অদুগী ওইনা এক্স পোলো ক্লবনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। অনীশুবা চকর লোইবা ফাওবগী ওইনা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা পাঞ্জল ৩-২দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অহুমশুবা চকর শান্নখিবা অদুগী ওইনা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈনা মখা তানা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা চকর অদু লোইবা ফাওবদা ৩-৩দা মান্নবা লৈখি। মরিশুবা অমদি অরোয়বা চকর শান্নখিবা অদুদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা পাঞ্জল ১অদুগা এক্স পোলো ক্লবনা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু এক্স পোলো ক্লবনা পাঞ্জল ৫-৪দা মায় পাক্লগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

# ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টঃ চেম্প খাগেমপল্লি অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে







**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪(ঐচ এন এস):** মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন (এম ভি সী এ)না শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৩ রক শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা চেম্প খাগেমপল্লি অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অয়ুক এল সী সী লমশাং অমসুং চেম্প খাগেমপল্লিগী মরক্তা শান্নখিবা অদুগী টোস এল সী সীনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা চেম্পনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। চেম্পনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওপন্নর বেটসমেন ওইখিবা গোপেশ্বরনা বোল ৩৮ মায়োক্লবদা রন ৬২ লৌদুনা টিমগী রন মশিং য়ামহন্নবা কন্না হোৎনরমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন দেবনা বোল ২৮ মায়োক্লবদা রন ৩৪ অদুগা উতমনা বোল ২৪ মায়োক্লবদা রন ২৭ লৌদুনা রন মশিং য়ামহন্নবা হোৎনবদা অমুক্কা হেন্না মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৫১ লৌবা ঙমখি।

অদুগা এল সী সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোল্লরশিংগী এটেক মপুং ফানা মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখিদবদগী ওভর ১৬.৩দা ওল আউট ওইরগা রন ৯১ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু চেম্পনা রন ৬০দা মায় পাকখি।

অমরোমদা, সাইক্লোন অমসুং ৱাই এ সী য়াইস্কুলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা সাইক্লোনন রন ১৮দা মায় পাকখি। মেটচ অসিগী ওইনা সাইক্লোনননা অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওভর ১৯.২দা ওল আউট ওইরগা রন ১২৭ লৌবা ঙমখি। অদুগা ৱাই এ সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১০৯ খক্তমক লৌবা ঙমখিবনি।

# হৌদোকপা নুমিৎতা ঐচ কে কে এস এ মায় পাকখ্রে



**থৌবাল, ফেব্রুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (দি এস এ) থৌবালনা শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ৬না শরুক য়ারগা থৌবাল নিংঙোম্বমগী মীনি ষ্টেদিয়মদা ৫ রক শুবা এল মেমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ হৌদোকখিবগা লোয়ননা হৌদোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচতা ঐচ কে কে এস এনা এ এস এস এ মায়থীবা পীখ্রে।

সুপুর দিভিজন লিগ টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী অহানবা মেটচতা ঐচ কে কে এস এনা এ এস এস এ শঙ্গাইয়ুম্ফমবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখি। ঐচ কে কে এস এগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু ৩৯ অমসুং ৭৭ শুবা মিনটতা এল বোসনা অনী, ২০, ৭০ অমসুং ৭৫ শুবা মিনটতা মথংশিংনা এল লমঙানবা, ও পোল অমদি নোংদম্বনা অমমম চনখিবনি।

হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদা য়াইরিপোক এফ সী অমসুং এস ও সী দি ঈ সী ৱাংজিংগী মরক্তা অনীশুবা মেটচ শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদনা জে জে এফ এ হাওখা অমসুং এস ৱাই এল ও তেকচমগী মরক্তা অহুমশুবা মেটচ শান্নগনি। ঙসি টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদুদা এল মুহিন্দ্রো, দল্লিয়ু প্রফুলো, এল মনি অমদি কেমাইকেলনচিংবনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# নোংঙাদা বোক্সিং একাদেমীনা টিম চেম্পিয়ন ওইরে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):** মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএশন (মাবা)না শীন্দুনা থা অসিগী ১১দগী হৌরগা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা বোক্সিং এরেনাদা চথরকখিবা ৫ রক শুবা মাষ্টর বোইজ এন্দ গার্লস ষ্টেট বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা নোংঙাদা বোক্সিং একাদেমী (এন বি এ)না পুন্না পোইন্ট ৪৭ ফংদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা এন বি এনা গোল্ড ৮, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ পুন্না মেদল ১২ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ৪৭ ফংবা ঙমখি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ওইনা সরিতা রিজনেল বোক্সিং একাদেমী (এস আর বি এ)-এনা গোল্ড ৬, সিলভর ৮, ব্রোঞ্জ ৫ পুন্না মেদল ১৯ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৪৩ ফংদুনা অহানবা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি। অদুগা প্রেমকুমার বোক্সিং একাদেমী (পি কে বি এ)না গোল্ড ৫, সিলভর ৩ পুন্না মেদল ৮ অদুগা পোইন্ট ২৪ ফংলগা অনীশুবা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি।


চথরকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপামচাগী বেষ্ট বোক্সরনা এন বি এগী কে ঐচ রোবিন্সন (কেজি ২৭)না তাখি। অদুগা বেষ্ট প্রোমিজিং বোক্সরনা মহেস বোক্সিং একাদেমীগী কে তোমথিনঙম্বা (কেজি ২৫)না তাখি। নুপীমচাগী বেষ্ট বোক্সরনা নোংঙাদা বোক্সিং একাদেমীগী এস জেসিকা (কেজি ৩৫)না তাখি অদুগা বেষ্ট প্রোমিজিং বোক্সরনা খুইজামান বোক্সিং একাদেমীগী এল লিংজেনথোইবী (কেজি ৩১)না তাখি।

# টর্কিনা ইন্দিয়া মায়থীবা পীখ্রে

**ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ১৪ (এজেন্সী):** ইন্দিয়ান অন্দর-১৭ মেন্স ফুটবোল টিমনা টর্কিগা শান্নখিবা অনীশুবা ফ্রেন্দলি মেটচতা পাঞ্জল ১-৬তা মায়থীবা নঙখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টর্কিগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৭, ১৪, ৩০, ৮৫ শুবা মিনটতা ইফেসেকিল, ইফেফেটাহুল্লু, ইরেন সায়র অমসুং হাসন টুনসেলনা অমমম চনখি। অদুগা ২০ অমসুং ২৮ শুবা মিনটতা অলিটিন ইটিসিনা অনী চনখি। অদুগা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা দেনি ৱাঙ্খেমনা চনখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE




**PUZZLE NO. 1737**

**Ian B Chester (1826) - Dominik Pitel (1734)**
**4NCL Bradford U2000 Bradford ENG, 2026.01.25**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 | 5.Nc3 a6 |
| 6.Be2 e6 | 7.a4 Be7 | 8.O-O O-O | 9.Be3 e5 | 10.Nb3 Be6 |
| 11.f4 exf4 | 12.Rxf4 Nc6 | 13.Nd5 Ne5 | 14.Bb6 Qd7 | 15.Nc7 Rac8 |
| 16.Nxe6 fxe6 | 17.Bd4 Ng6 | 18.Rf1 Nxe4 | 19.Bd3 Nf6 | 20.c3 e5 |
| 21.Bf5 Qc7 | 22.Bxc8 exd4 | 23.Be6+ Kh8 | 24.Nxd4 Ne5 | 25.Nf5 Qc5+ |
| 26.Qd4 d5 | 27.Nxe7 Qxe7 | 28.Bxd5 Rd8 | 29.Rae1 Rxd5 | 30.Qf2 h6 |
| 31.Qe2 Qc5+ | 32.Kh1 Nd3 | 33.Rxf6 Re5 | 34.Qxd3... | |

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1736 Solution :**

**39. Rh8+** *The white rook decoys Black's king. The white rook deflects Black's king away from protecting the square f8.* **Kxh8 40.Rf8+ Rg8 41.Qh7#** *Damiano's bishop mate*
**1-0**

# হৈরোক পি এস অমসুং ফেসন ক্বিন মায় পাকখ্রে




**থৌবাল, ফেব্রুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):** তেন্থা হৈবুং ত্রানক্বিলিটি ক্লব, তেন্থানা শীন্দুনা টিম ১৬না কাঙলুপ মরি থোক্না খায়দোক্তুনা থা অসিগী ৮দগী হৌরগা টি ক্যু সী গ্রাউন্দদা চথরল্লিবা ৩ লক শুবা টি ক্যু সী ত্রোফি ২০২৬ লেট ইরুংবম বিরলাল মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ওপন টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা হৈরোক পি এস অমসুং ফেসন ক্বিন থৌবাল মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা হৈরোক পি এসনা তেন্থা ব্রদর্সপু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা হৈরোক পি এসকী সমানন্দনা তাখি। ঙসি অনীশুবা মেটচতনা ফেসন ক্বিন থৌবালনা তেন্থা হরিকেনবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীখি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা বিতেশ্বরনা তাখি।

ꯂꯣꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯊꯕꯛ

**VEHICLES LOAN / PENSION LOAN / EMPLOYMENT NEWS**

# 2/3/4 Wheeler Loan and Used Car ফংবীগনি।
# State/ Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা পীজরি।
# Employment News : Office Asst. (Graduate + upto 32 yrs), 2 Wheeler Mechanic, Mechanic Helper, Car Wash Helper, Chicken Centre Helper 2/2, Tyre Fitting Helper অমসুং চেক্কী Mistry, Jugali পামজৈ।
# 2 Wheeler used vehicles exchange সু ফংবীগনি।

*Please Contact :* **L.G. Motors**
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : # 9362775475 / #8414081916

HL-B/11160/7 to 23 Alt



Title : House
By : Areinu Maibam
Class : III Roll No. : 24 Sec : Tullip
School : SL Arena of Learning Kongpal



Title : A Fish
By : Elangbam Wanglen Singh
Class : I Roll No. : 4 Sec. : A
School : Eureka Academy, Thounaojam



Title : Farmers' Life in Village
By : Kubiheiba Naorem
Class : KG-II Roll No. : 4 Sec. :
School : Kangaroo Kids International Preschool, Singjamei



Title : A Flower
By : Lourembam Langlen
Class : IV Roll No. : 3 Sec. :
School : I.P.S Canchipur



Title : A Village
By : Lucky Thounaojam
Class: KG-II Roll No. : 7 Sec. :
School : Euro Kids, Singjamei



Title : Effects of Climate Change
By : Premkinson Tekcham
Class : V Roll No. : 36 Sec. :
School : Assam Riffles Public School (HS), Kakching




Title : Barbie Doll
By : Rozella Oinam
Class : II Roll No. : 5 Sec.
School : Leimakon Regional Institute, Nambol



Title : A Fruit basket
By : Sagolsem Rimson
Class : III Roll No. : 21 Sec :
School : IPS, Canchipur



Title : Lady
By : Takhellambam Shinhenba Mangang
Class : II Roll No. : 5 Sec. :
School : MEGA School




Title : Deer
By : N. Joyshree
Class : III Roll No. : 14 Sec. : D
School : Standard Robarth Higher Secondary School




Title : Scenery
By : Pheiroijam Mangalleima
Class : I Roll No. : 14 Sec :
School : Friendship Ecuational Academy



Title : A Flag
By : Elizabeth
Class : II Roll No. : 31 Sec :
School : Lamlong Higher Secondary School



Title : Cookie Squid Game
By : Ph. Mangal Singh
Class : VII Roll No. : Sec :
School : Friendship Educational Academy



Title : Night Scenery
By : Z. Punshiba
Class : VI Roll No. : Sec :
School : Friendship Educational Academy



Title : A Flower
By : Riandy Y.
Class : I Roll No. : 34 Sec :
School : UNACCO

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্লীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com